# বি জে পিগী সি এ বিলদগী কোংগ্রেসকী লোজ ওন এসাইলমনা শরুক চাম্ম হেন্না শাথিগনি ঃ বি জে পি

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩(এস এন এস) ঃ

কোংগ্রেস পার্টিনা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াদা বি জে পিনা সিতিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌগনি হায়রুবগী মায়োক্তা মীয়ামদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লিবা অদুদগী মখোয়না পুথোক্লিবা লোজ ওন এসাইলমনা শরুক চার্ম্ম হেন্না শাথিবা হেনগনি হায়না বি জে পিগী ৱাঙাঙলোই সি ঐচ বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলপাত্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস পার্টিনা পুথোকপা মেমোরেন্দমদা ফোরেন পোলিসিগী শরুক্তা করিগুম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্না চুপ্লি পায়রবদি ইন্দিয়াদা লো ওন এসাইলম পাস তৌগনি। মসি মালেমগী থাক্তা লৈরিবা য়ান্নৱারোল অমসুং চৎন কাঙলোনগী মনুংদা পায়খৎকনি হায়না ৱাশক্লি।

মসিমক করিগুম্বা পাস তৌখিবা তারবদি মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেটতা য়াম্না শাথিবা তাইম বোমগুম্বা পোৎশক অমা ওইগনি হায়খি। মহাক্না হায়, য়ু এন কনভেন্সন ওফ রিফ্যুজি, ১৯৫১ অমসুং য়ু এন প্রোটোকোল ওন রিফ্যুজি ,১৯৬৭ অসি ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরগা খূৎয়েক পীখিবা লৈত্রি।

য়ু এন কনভেন্সন ওফ রিফ্যুজি অসিগী মতুংইন্না মালেমগী ওইনা প্রোব্লেম অমদগী লৈবাক অমদা রিফ্যুজি ওইনা চেনলক্লবা মীওইশিং অদু মফম অদুদগী তাম্হোকপা য়াদে, মখোয়না থুংলরিবা লৈবাক অদুদা লৈফম চাফম পীগদবনি, মখোয়গী হিংনবগী পাম্বৈ পীগদবনি।

কোংগ্রেস পার্টিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদি মখোয়গী লৈঙাক লাক্লবদি মতম শাংনা খূৎয়েক পীদনা লাক্লবা কুম ১৯৫১ গী য়ু এন কনভেন্সন ওফ রিফ্যুজি অমসুং কুম ১৯৬৭ কী য়ু এন প্রোটোকোল ওন রিফ্যুজি অনী অসি খূৎয়েক পীবগা মান্নগদৌরিবনি।

মসিদা অয়াবা পীখিবা তারবদি ইন্দিয়া মনুংদা রিফ্যুজিশিং চঙশিল্লকপা মতমদা তাম্হোকপা য়াদবতা নত্তনা লৈবাক অসিনা মখোয়গী লৈফম চাফম অমসুং হিংনবগী লম্বী পীদবা য়ারক্লোই।

অসিগুম্বা রিফ্যুজিশিং অসি য়ু এন কম্মিসন ফোর রিফ্যুজিনা কার্দ অমমম ইশু তৌগনি। মদু পায়রবা রিফ্যুজিশিং অদু ইন্দিয়ানা তাম্হোকপা ঙম্লম্বা অদু লো অসি পাস তৌখ্রবদি শোয়দনা মখোয় তাম্হোকপা ঙম্লক্লোই।

শাথিখ্রবা আইন অসি কোংগ্রেস পার্টিগী মেনিফেষ্টোদা য়াওহল্লম্বা অসি মীয়ামদা খঙহনবনি। কোংগ্রেসকী থৌরাং অসি হেক মায় পাকখিবদা ইন্দিয়াদা চহী ৫ দা ইন্দিয়া অসি শিংজু শাগনি।

কোংগ্রেস পার্টিগী খোঙথাং অসি সি এ বিলদগী হেন্না শাথিবা ফিভম অমা মণিপুরদা লাক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা বি জে পি ওফিস কাঞ্চিপুরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বি জে পিগী সেনিয়ার ওইরবা লুচিংবা কে সরতকুমারনা হায়, অহল ওইরবা পোলিতিসিয়ান ও জয়না মহাক মশাগী মীং পন্দুনা অমসুং বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর, কেবিনেট মিনিষ্টর অমসুং এম এল এবু য়াম্না করেম কথাইনদুনা ৱা ঙাঙবা অসি লাইবক থিবনি। মহাক্না ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসিদা নিংবা কায়বগী মমি চাউনা তাই।

মতম অমদা কোংগ্রেস পার্টি পনবা য়ারমদবা কোংগ্রেস পনলদি চিন তেঙলম্বা লুচিংবা অদুনা কোংগ্রেসতা করম্না য়াওরিবনো হায়বসি অঙকপা ফাওই। মহাক্না হায়, রবিনা অমসুং সঞ্জিৎকী মীশি অদুদা রবিনাগী পুক্নুংদা লৈরিবা মচা, রবিনা অমসুং সঞ্জিৎগী মরাল অদু ও জয়না মীয়ামদা শেঙদোকফম থোকই। মদু শেঙদোল্লবা মতুংদা বি জে পিগা ওপন দিবেট তৌনবা শেম শারি হায়না শিংনখি।

# হন্দক্কী ইলেক্সন অসি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অমদি সেক্যুলরিজম ঙাক্লবগীনিঃ ও নবকিশ্বর

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩(এস এন এস)ঃ

অঞ্জুমান অমদি লিলোং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অনীনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি লিলোং মদ্রসা অলিয়া,হান্নগী চীফ মিনিষ্টর লৈখিদ্রবা অল্লিমুদ্দিনগী ময়ূম,মদ্রসা দরুম উল্লুম অমদি লিলোং দামদা ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেসকী মীরেপ আই এ এস (রিটয়ার্দ) ও নবকিশ্বরগী কোর্নর মীটিং পাক–শন্না পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী কোর্নর মীটিং অদুদা লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ নসির খান অমদি অঞ্জুমানগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

অঞ্জুমান অমদি লিলোং এ সিগী মীয়াম্না ঙসিগী কোর্নর মীটিং অদুদা মেমোরেন্দম অমসু সবমিট তৌখি। মেমোরেন্দম অদুদা য়াওবা মরুওইবা ৱারোল খরদি–লিলোং দাম রিপয়ারিং তৌবা,কম্যুনিটি হোল অমা শাবীয়ু,স্পোর্টস ফিল্ড অমা মফমসিদা থম্বীয়ু হায়বা ৱারোলশিং য়াওই।

রিটয়ার্দ আই এ এস ও নবকিশ্বরনা থৌরম অদুবু শরুক য়ারদুনা হায়,কুমজা ২০১৪দগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক মণিপুরদা লৈরকপদগী মণিপুরগী লৈঙাক্না মুস্লিম কম্যুনিটিগী মথক্তা মখল–মখাগী টোর্চর,হরাসমেন্ট কয়া তৌরক্লি। য়ুনিফোর্ম সিভিল বোর্ড হায়বসি হিন্দুসু মুস্লিমসু,খৃষ্টানসু অমদি অতে–অতে ফুরুপশিংসু চপ মান্নবা পূন্সি মরেল চৎলু হায়বনি।

মসি ফুরুপ অমত্তনা য়ারোই। য়ুনিফোর্ম সিভিল বোর্ড অসি মুস্লিমগী কুরাননা য়ারোই,খৃষ্টানগী বাইবলনা য়ারোই,হিন্দুগী গীতানা য়ারোই।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা পীরিবা ফ্রিদম ওফ ফেঠ ইশা–ইশানা পামজবা ধর্ম্ম চৎচবা,লাইনিং–লাইশোন তৌজবা অসি কনা অমত্তনা নম্ফুদা ওন্থোকপা য়ারোই। মুস্লিম ধর্ম্মগীদি কুরান লৈরি,সরিয়াট মোলবি লৈরি,মৌলানা,ইমাম লৈরি। ময়াম অসিনা তাকপী–তম্বীদুনা করম্বা পূন্সি মরেল লেল্লগা ঐখোয়গী পূন্সি অসি মরোমদোম হিংবা ঙমগদগে,সোসাইটি অসিদা অমগা–অমগা চান্ন–চিন্ননা,নুংশিননা লৈমিন্নগদগে হায়বসি তাক্লিবনি। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিগী কেম্পেইন পাঙথোকপদা ইমাম কয়াগা ইন্টরিয়েক্সন তৌবগী খুদোংচাবা ফংই। মখোয়গা তোৎন–তিন্নবদগী অনৌবা লৌশিং কয়াসু খঙনবগী খুদোংচাবা ফঙলে। মুস্লিম ধর্ম্মগী পাউতাকশিং অসি নুংশিনৌ,খৎনগনু,পূন্সিদা অচুম্বা চৎলু হায়বা য়াওরি। অসুক ফজখ্রবা পাউতাক–নীতিশিং অসি লৈনা–লৈনা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা য়ুনিফোর্ম সিভিল বোর্ডকী ৱাফম পুথোরকপসি তোঙান–তোঙানবা ধর্ম্মশিংসি তরাইনা খনবগী খুদম্নি। ট্রিপল টলাককী মতাং দসু বি জে পি লৈঙাক্না বিল পাস তৌনবা হোৎনখিবনি।

হজবেন অমসুং ৱাইফ খায়নবা হায়বসি সিভিল মেটরনি,মসিদা বি জে পিনা ক্রিমিনেল ওইবা ৱাখল্লোন পূশিল্লকপনি। সিভিল মেটরদা ক্রিমিনেল ওইবা ৱাখল্লোন পুশিল্লকপসি য়াম লানবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সি এ বি অসি মণিপুরগা য়াম্না চুনদবা বিলনি। ইন্দিয়াগী য়ুম্লোন্নবা লৈবাক–বাংলাদেশ,পকিষ্টান,অফগানিস্থানদগী লাকপা হিন্দুদি ইন্দিয়ান সিটিজেন ওইহনগনি হায়বা অদুগা মুস্লিমগী ৱাফমসি পন্দবসি ইন্দিয়ান কন্স–টিট্যুসনগী সেক্যুলরিজমবু শিংনবনি। আর্টিকল ১৪ অমসুং ১৪না য়াদবা পোৎশক্লি। বি জে পিগী পোলিসি অসি কিনিংঙাইনি,ইলেক্সন অসি মহাক্কী ইলেক্সন নত্তে। ইন্দিয়াগী সেক্যুলরিজম অসি ঙাক্লবগী ইলেক্সননি। ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি ঙাক্লবা ইলেক্সননি। ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা কন্সটিট্যুসননা পীরিবা ফ্রিদম ওফ স্পিচ,ফ্রিদম ওফ ফাইঠ লৈননা–লৈননা মসিবু চৎনরোই হায়রকপগীনি। বি জে পিনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়খ্রবদি ঐখোয়সি থৌনা লৈরে, ঐখোয়না তৌরিবা অরানবসি মীয়াম্না য়ারে হায়দুনা অমুক হন্না তৌরক্কদৌরিবনি। মসি তৌহনবা য়াদে,থিংবা মথৌ তাই হায়না মীয়াম্না খনফম থোকই। মসি ইশা খক্তগী লান নত্তে। মসি লৈবাকসিগী লাননি। মণিপুর খক্তগী লানসু নত্তে,ইন্দিয়া পুম্বগী লাননি। দেমোক্রেসি অমসুং সেক্যুলরিজম ঙাক্তবা য়াদে হায়বগী লানফমনি। কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা য়াওবা ইন্দিয়াদগী লায়রবা মুখৎপা হায়বদু রাহুল গান্ধীনা মণিপুরদা লাকপদসু লাউথোকপীরম্লে। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী লায়রবা চাদ ২০ খনগৎলগা চহী অমদা ইমুং ক্রোর ৫দা লুপা ৭১,০০০ (চহীদা)পীরগা লায়রবা কোকহন্নবা কম্মিটমেন্ট লৈরে।

অসিগুম্না লাইরবগীদমক খন্দুনা লান্দারিবা কোংগ্রেসপু নুংশিবীদুনা ভোট পীবিয়ু। বি জে পি গুম্বা লায়রবগী মায়োক্তা লৈবা পার্টিবু শৌগৎফম থোক্তব্রা খল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# মীতোপ্পা রিমোট কন্ট্রোল পায়রগা শান্নহল্লি ঃ সমরজিৎ

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩(এস এন এস) ঃ

লমদম অসিগী মীয়াম্বু মীতোপনা শান্ননিংবা মতমদা রিমোট কন্ট্রোল পায়রগা শান্নহন্নবগী অয়াবা নেসনেল পার্টিশিংনা পীদুনা লাক্লি। মসি মখা চৎথহন্দনবা হোৎনবা মতম য়ৌরে হায়না নোঠ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ই আই দি পি) গী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট নারেংবম সমরজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হিয়াংথাং কম্যুনিতি হোলদা এপ্রিল ১৮ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অনীরকশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভাগী মীখল অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পোলিটিকেল এৱার্নেস প্রোগ্রামদা মহাক্না হায়, হৌজিক অসিগুম্বা খোঙদাফম পীরিবা অসি লমদম অসিগী ঈগী মরী ওইরিবা ইচিল ইনাউশিংনি।

মখোয়না লৌরিবা খোঙথাং অসি হৌজিকসু চুমথোক্লবা মতম লৈরি লোয়ননা মতম লৈরিঙৈদা এন ই আই দি পিদা চংজহৌ। মালেমদা ইমাবু নুংশিবগী খোল্লাউ এন ই আই দি পিনা শোয়দনা লাওরকখিগনি।

কোংগ্রেস, বি জে পি, কম্যুনিষ্টশিং অসি লল্লোনবা ঙাক্তনি। মসিদা ঐখোয় মীকপ থোকহৌদবা তারবদি মণিপুরীশিং অসি মুৎখিদুনা মীতোপ মীয়ান ওইরক্কনি।

এন ই আই দি পিদি থম্মোয়গী ৱাফম অসি ঙাঙবনি। কোংগ্রেস বি জে পিনা মীখলগী কেম্পেইন তৌবদি মখোয় মশেল হুন্দোক হুনজিন তৌদুনা ঙাঙনবনি। এন ই আই দি পিবু মীখল অসিদা মায় পাকহন্দনবা হোৎনরিবা কাঙবু অসি হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমানা মখোয়বু পারা তম্বীয়ু হায়খি।

ইপা ইপুনা থম্লম্বা লনগৈশিং অদু লোইনা মাঙশিল্লক্লবনি। মণিপুরগী জি রিবামদা হৌবা চা মনা অদু অসাম টি হায়না মিং থোনখ্রে।

ডা. আই ইবোহলবীনা হায়, এন ই আই দি পিসু মীখলগী মতমদা শেল য়েনবা ঙমদবা নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্না ৭ শুবা পীবা ঙমদবা মতমদা ৭ শুবা পে সলাই হোল্ডিংনা পীবা ঙম্মী হায়না লাওথোকখিবনি।

এন ই আই দি পি দি মদু নত্তে।তুংগী মীরোলগীদমক করিগুম্বা খরদি তৌবিরম্বা তাবনি। লৈবাক অসি মৈ হৌদুনা চাক্লক্লবনি। ঙসি মণিপুরদা আই এল পি , বাউন্দরিগী ইশু ময়াম্না , আফসপাগী ইশু, সি এ বিলগী ইশু কয়া অসি মীয়াম্না উবিদবা করিগীনো হংখি।

পার্লিয়ামেন্টতা চৎলগা লাওবা ঙম্লেইদবা, হায় কমান্দগী কলচর চৎপা পার্টিগী মীহুৎ থাবগী মহুত্তা লমদম অসিগী লৈহাউদগী হৌরকপা মশক নাইবা মীওই অদুবু করম্না থাগনি। মপুন্সিগী পোলিটিক্সসু য়াওবসু নত্তবা মীওই অমবু পার্লিয়ামেন্টতা করম্না থাগনি। এন ইআই দি পিগী মীরেপ আর কে আনন্দদি পার্লিয়ামেন্টকী থোঙ কাউখায়বা ঙমগদবা মীওইদি আর কে আনন্দ নত্তনা অতে লৈতে হায়খি। মীকিথি ওইবা মীওই থারুবগী ৱাহল্লোক লৈরোই। মণিপুর কনসি চীংতম অমত্তা ওইনা নুংশিন্ননা লৈমিন্নসি হায়খি।

অমরোমদা খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা খুন্দ্রাকপম লাইনিংথৌ পাঙ্গলবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমদা এন ই আই দি পিগী মীরেপ ওইরিবা আর কে আনন্দনা হায়, হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসি তোপ তোপ্পা মীখল অমনি হায়না লৌই।

মণিপুরগী অৱাবা খুদোংথিবা ময়াম অসি মীয়ামগীদমক খোঙথিনবা ঙমগদবা, পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর খুদিংমক্তা লমদম অসিগী ইশু তাহনবা ঙম্বা, খঙহনবা ঙম্বা এম পি খনবগী তঙাইফদবা লৈ।

নেসনেল পার্টিশিংনা অৱাং নোংপোক মরুওইবা মণিপুরদা লিশাংশিংনা লৈঙাক্লম্বা অদু ঙসিদি নোংমা নোংমগী মুৎশিল্লকপগুম তৌরি। ফুরুপ অমা ওইরম্বগী ৱাহল্লোক লৈরক্তবা, য়েক্লবদা চংজদবা, মতিং ফুদোকপা ঙম্বা ফুরুপ অমনি হায়না লরম্বা অদু মীখা পোনলবা, মীনাই নাইথাংগী পুন্সিদা লাকপা অসি থিংহৌবা মতম ওইরে।

ঐখোয় ৱাখল থোক্না হিংজনবগী তাঙ্কক অমা য়ৌরকপা অসিদা ঐখোয়গী খোঙফম অসি মুৎখিবা য়াবগী তাঙ্কক অদু য়ৌরক্লে।

নেসনেল পার্টিনা মণিপুরগী মীয়াম অসিগী অৱাবা কোকহন্নবনি হায়না চিদা লাওরবা অৱাবদি কোকহন্দবা চাক্লি ফিনিবগী কলচর অমা পীবা অসি য়াবা ঙম্লোই।

## য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩(এস এন এস) ঃ

হীন্দু লাইনিং চৎপশিংগী হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা চৈরাওবগী থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নম্মা হেপ্তুল্লা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণরগী য়াইফ–পাউজেল অসিগী চেরোলনা হায়, ঐখোয় পূম্নমক্না ষ্টেট অসিদা ঈং–তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি অনৌবা চহী অসিনা অমমববু কোকহনদুনা তুংগী অরংবা শক্তম অমা পুরকপা ওইরসু।

চীফ মিনিষ্টরগী পাউজেল অসিনা হায়, চৈরাওবা হায়বসি অনৌবা চহী লাকপগী খুন্নাই অসিগী খুন্নাইরোল অমদি নাৎকী ওইবা কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসিনা হিংবগী মরেক মহাও থোকহনবা অমদি ইমুং–মনুংগী ওইবা মরী চেৎশিন্নবদু উৎলি।

ৱার্ক মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ , কঞ্জুমার এফিয়ার্স মিনিষ্টর করাম শ্যামনসু চৈরাওবগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# নীশিং খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখ্রে ...

*লমায় ১গী মখা* খুন্দ্রাকপম চাওবা এলাইজ রাজেন্দ্র মৈতৈ, শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈকাইদগী মোইরাংথেম প্রেমকুমার, নাওরেম লৈকাইদগী নাওরেম রাজেন, নামৈরাকপম লৈকাইদগী থৌদাম লোকেন, লৈকাই অসিমক্তদগী থৌদাম কুন্জাবিহারি, হৈরোক পার্ট টু লিতান মখোঙদগী মাইবম পকা এলাইজ চাউথোই, হৈবোংপোকপি ময়াই লৈকাইদগী সোরোকখাইবম কামেশ্বর এলাইজ কান্ত অমসুং মোরে হৈনৌমখোঙদগ আর কে খোইরোম্বা এলাইজ গ্যানিনি।

নাকল অমরোমদা, থৌদোক থোকফম ওইরিবা কোদোম্পোকপিদু মীয়াম্না লৈ–শু কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা তেকচমদা ইন্দিয়ান অর্মিগা পি এল এগী লান্মীশিংগা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী নীংশিংবা ওইনা মফম অদুদসু মীয়াম্না হৈকৎ–লৈকৎ তম্নখি। নুমীদাংৱাইরমদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মীয়াম্না মৈরা কত্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

অমরোমদা, থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম লৈঙাক্কী ওর্দর অমগী মতুংইন্না মেদিয়া কোভরেজ তৌবা য়ারোই হায়বদগী পাউমীশিংনা পাউ লৌবদা অথিংবা থল্লকখ্রে।

চহী খুদিংগী ওইনা এপ্রিল ১৩দা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ ঙসিগী ওইনসু অয়ুক পুং ৬তগী হৌদুনা পাঙথোকখি। পাউমীশিংনসু থৌরম অদু হেক হৌবদগী হৌনা কোভরেজ তৌখি। অদুবু অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তারকপা মতমদা মণিপুর পুলিসকী টিম অমা লাক্লগা লৈঙাক্কী অথিংবা অমা লৈরে মখা তানা মেদিয়া কোভরেজ তৌবা য়াররোই হায়বগা লোয়ননা পাউমীশিং মফমদুদগী চৎখিনবা খঙহল্লকখি।

অমরোমদা, হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা মেদিয়া কোভরেজ তৌবদা অথিংবা পীরকখিবা লৈঙাক্কী থৌওং অদুবু এদিটর্স গিল্ড মণিপুর (ই জি এম) অমসুং ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (আমজু)না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ই জি এম অমসুং আমজুনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা, এপ্রিল ১৩দা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসি কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুংইন্না পি এল এগী লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী কম্মিটি চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমদি মেদিয়ানসু কোভরেজ পিদুনা লাক্লি।

অদুবু হৌজিক পাল্লিবা গভর্নমেন্ট অসিনা ওর্দর অমা থোক্তুনা থৌরম অসিবু মেদিয়া কোভরেজ তৌবা থিংলকপা অসি য়ানিংদে। মসি মেদিয়াগী মচিন মেন্নবা হোৎনবনি হায়না লৌই। দেমোক্রেসি চৎপা লম অমনিনা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা পাল্লিগা গভর্নমেন্ট অসিনা হোৎনবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তাখি।

# মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায় হায়না কোংগ্রেসনা...

*লমায় ১গী মখা* শিজিন্নদুনা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা দ্রেন শেঙদোকপগী থবক চথখি।

মদুদা বি জে পিগী ৱাঙাঙলোইশু ওইরিবা পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জ্যোটিন মশামকসু বি জে পিগী টুপি উপ্পগা য়াওখি। মসিমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরিবা ইলেক্সন মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী ৱাংমদনি।

ই সি আইগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী জেনরেল কন্দক্টতা য়াওরিবা সেরিয়েল নম্বর ৭–পার্টিইন পৱারগী ক্লোজ ১ বিগী মতুংইন্না লৈঙাক চুপ্লি পায়রিবা পার্টিগী য়াকায়েংলগা লৈঙাক্কী মেছিনরিশিং শিজিন্নবদা অথিংবা পীরিবনি।

অদুবু ৱার্দ নম্বর ২গী কোর্পোরেটর অসিনা আই এম সিগী মেছিনরি অমসুং ষ্টাফশিং শিজিন্নবগী পাউ ফংলকখি। মদুগী মতুংইন্না এম পি সি সিগী সেক্রেটরি অমসুং চ্যারমেন মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন সব কম্মিতিনা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বগী ৱাকৎখ্রে।

মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়রগা চুপ্লি পায়রিবা পার্টিগী শক্তি শিজিন্ননবা হোৎনরিবা বি জে পিগী কোর্পোরেটর অসিবু মতিক চাবা এক্সন লৌখৎফম থোকই। ই সি আইনা হিরম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

ই সি আইগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অসিবু চুপ্লি পায়রিবা কাঙবুনা লান্না শিজিন্নবা অসি লাইবক থিবনি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না এম পি সি সিগী সেক্রেটরী এম দি সিরাজ অহম্মদনা ইলেক্সন কম্মিসনদা পুখৎলকখিবা ৱাকৎ অদুগা মরি লৈননা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসার এন প্রবিননা আই এম সিগী কোর্পোরেটর ৱার্দ নম্বর ২ দা সো কোজ নোটিশ থাখ্রে।

থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা লৈবা য়ুঠ সেন্টর মনাক্তা দ্রেনেজ সিষ্টেম আই এম সিগী মেছিনরিশিং শিজিন্নদুনা দ্রেন শেঙদোকখিবা অদু মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকা অকায়বা লৈতে হায়বদু মরম পীরক্লবা খঙহনখ। মহাক্কী শেঙদোক ৱারোল অদু পুং ৪৮ গী মনুংদা পীরক্কদবনি হায়না পনলি।

অমরোমদা বি জে পিনা চুপ্লি পায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা হন্দক প্রাইম মিনিষ্টর লাকপা মতমদা ইম্ফালগী হাপ্তা কাঙজেবুংদা খারিবা ফেন্সিং ককথৎলগা ফাত্তোকখিবা অদু মীয়ামগী লনথুম মাঙহনবনি। মসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা করিগীদমক হাপ্তা কাঙজেবুংগী কষ্টদিয়ান ওইরিবা দি সি ইম্ফাল ইষ্টনা চৈরাক পীনবা থবক লৌখৎপীদবনো হায়না এম পি সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী এদমিনিষ্ট্রেসন হরেশ্বর গোস্বামীনা ফোঙদোকখ্রে।

## আর পি এফনা থাগৎপা ...

*লমায় ১গী মখা* সেন্ট্রেল ব্যুরো,এস আর–১,এস আর–২,এস আর–৩ অমদি এস আর–৪দা লৈবা মফমশিংদসু অথৌবশিংগী খুভমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎতুনা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোকখি।

অথৌবশিংনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কখোক্তুনা লাম্হেংনরম্বা অসিনা ঙসি ঐখোয়দা শিবা কিদনা কখে–াক্কদবনি হায়বা য়ুম্ফম অদু থোনবীরম্লে। মরম অসিনা অথৌবশিংনা কম্হোক্লম্বগী মহয় ঐখোয় খুদিংমক্না ইকায়–খুম্নফম থোকই অমদি ঐখোয়নসু ইরৈবাক্কীদমক লেপ্পা লৈতনা কখে–াকফম থোকই হায়বা ৱাফম অসিনা ইরমদমসিগী ফিদম ওইমিন্নরসি হায়রি।

লোয়ননা থৌরম অদু মায়পাক্না পাঙথোকখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা খুদিংমক্কী মফমদসু আর পি এফনা অমুক্কা হন্না থাগৎপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## ওন্নখিবা

*ভোট লিশিং ২৫গী মথক্তা হেল্লগা কাগনি* হায়বা হেদ লাইনগী মখাদা থা অসিগী ১৩দা ফোঙখিবা পাউ–চে অসিগী ৩শুবা লমায়দা য়াওখিবা ফোটোগ্রাফম অদু ওন্নখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা ৱা ঙাংবগী ফোটো হাপ্পকদবা ওন্না হাপখিবগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

– এডিটর

# সি এ বি পাস তৌখ্রবদি ঐখোয় মুখৎখিবা ...

*লমায় ১গী মখা* ঐখোয়বু শক–চুমান্নদবা মরম ওইদুনা হন্থনা য়েংবিবা, কাঙলূপ মচানি হায়দুনা উশিৎতবগা লোয়ন্না হিরম খুদিংমক্তা নমথবিবা,মচে–খায়না ঐখোয়গী পুক্লিং, ৱাখল অমসুং হকচাংবু লোয়চনশিন্দুনা থম্বা অসিনচিংবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মসিগী মথক্তা ইন্দিয়ানা লেপ্পা লৈতনা মহাক্কী লীগেল রেসনেল ওথোরিটিগী মহাক্না নোরমেটিপ লোশিং শীজিন্দুনা অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙমদনবা ঐখোয়বু মুখৎকে লাক্নরি। ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা থৌওংশিং অসি নাজি জর্মনগী নাজিনা জিয়ু শিংবু পাক –শন্না মপৈ মপৈ পৈদুনা হাৎখিবা (হোলোকষ্ট)কা মান্নবা খোঙথাং (প্রোসেস) ঙাক্তনি হায়রি।

জর্মনগী লৈমায়দগী জিয়ুশিংবু মুখৎলবদি জর্মনগী ৱাথোক অয়াম্বা ৱারোইশিন পীরে হায়না হিটলরনা খনখিবগুম ইন্দিয়ানসু ৱেসিয়া (হায়বদি,নোর্থ ইষ্ট)গী মপুং ওইনা মোঙ্গোলোইদ ফুরুপশিং হায়বদি য়েল্হৌমীশিং মুখৎলবদি নোর্থ ইষ্টকী অরুবা ৱাফম অসি লোয়রে হায়না খল্লি। পান্দম অদু ফঙনবা জর্মনদা নাজিনা রেসনেল ব্যুরোক্রেসিবু য়াম্না হৈন–শিংনা শীজিনখি। জিয়ু মিল্লিয়ন তরুক কাংলোন নায়না অমদি লৈঙাক লোয়শঙশিং শীজিন্দুনা হাৎখি। অদুক য়ামবা জিয়ু শিংদু ইরায় লায়না করম্না হাৎতোকখিবনো? লৈঙাক কাংলোন্না শৌগৎপা রেসনেল লীগেল ওথোরিটিনা জিয়ু মিল্লিয়ন কয়াবু ইরায় লায়না লোয়শিনখিবনি। লোনা য়াবা মওংদা হাৎখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়,মদুমক্না জিনোসাইদতু ওইথোকহনখিবনি। রিঞ্চ সিটিজন্সিপ লোগী মতুং ইন্না অশেংবা জর্মনগী ঈ নৎতবা,জর্মন মীয়ামগী অনিংবা / অপাম্বাগী মায়োক্তা লৈগদবা মীওইশিং, মরুওইনা জিয়ুশিং সিটিজেন্সিপ পিদে । মসি ভারত না সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিল (সি এ বি)গী মখাদা ইন্দিয়াগী ৱাংমদগী চেনশিল্লকপা হীন্দু শিংতবু সিটি জেন্সিপ পীবগা করি খেন্নে। জিয়ু শিংবু তোকখায়না ঘেৎটো দা থমলগা গ্যাস চেম্বরদা থজিন্দুনা পাক্তকন্না হাৎপসি নাজিশিংগী ‘ফাইনেল সোলুসন টু জিয়ু ক্বেসন’হায়না কৌই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঐখোয়বু ইন্দিয়ানা অফস্পা ১৯৫৮ হায়বা তমথিরবা দ্রাকোদিয়ান লো অসি শিজিন্নদুনা ইমুংদগী চিংথোক চিংথোক্তুনা হাৎলি, কিহল–খঙহল্লি, নমথবী, নমদুনা নুপীশিংবু ফম্লানবী। ঐখোয়সু ইন্দিয়ানা চিংবু –চিংনরবদি হেক্তা হাৎপা য়াই। মসি ইন্দিয়াগী চৎন–কাঙলোন্না য়াই। অফস্পাগী সেক্সন ৪(এ) ইরিবনি। ঐখোয়বু ইন্দিয়ানা হাৎলিবসি লো অমা শেন্নগা,মী হাৎপদা অয়াবা পীরিবা লো ২ অদুবু খুৎতা পায়দুনা লৈঙাক্কী ব্যুরোক্রাটশিংনা থবক ওইনা পাঙথোক্লিবনি। মসি রিজনেল ব্যুরোক্রেসিগী মখাদনি। মথং মথং...

# লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিগী মীখলদা মনি পাৱর মসল পাৱর শিজিন্নবা থেংনগনিঃ এ আই আই টি য়ু সি

ইম্ফাল এপ্রিল ১৩ঃ

১৭শুবা লোক সভা মীখল অসিগী থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদগী মীখলদা মানি পাৱর অমসুং মসল পাৱর শিজিন্নদুনা থেঙনরগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেট য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সি)না ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ইরবত ভাবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমাদা এ আই টি য়ু সি গী এজিক্যুটিব মেম্বর খাঙগেম্বম শমুঙৌনা পাউমীশিংদা হায়,ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন অমসুং অনওর্গনাইজেসন সেক্টরদা লৈরিবা শিন্মীশিং হৌজিক অৱাবা য়াম্না ময়োক্নরে। মণিপুর লৈঙাক্কী তোংঙান তোংঙান্নবা দিপার্টমেন্টশিংদা কেজ য়ুয়েল,মাষ্টর রোল অমসুং ৱার্কচার্জ ওইনা থবক তৌরিবা ইমপ্লোইয়িশিং অহোংবা লৈতনা চহী ৩০ / ৪০ রোম অৱাবা ময়োক্লদুনা লাক্লি। লোয়ন্না রিমসকি সেনিটরি (সোলাপ) তা থবক তৌজরিবা ইমপ্লোইয়িশিং রিমস ওথোরিটিনা খুদকতগী তোক্লবা নোটিস থোকপগা লোয়ননা মখোয়গী থবকশিং লনাই এন জি ও অমদা শিন্নরনি হায়না নোটিস থোকন্দগী সোলাপকি শিন্মীশিং হৌজিক অৱাবা ময়োক্নরি।

ইম্ফাল মনুংদা ষ্টিট বেন্দর ফমজরিবা ইমা ইবেলশিং পুলিসনা তান–খায়বনচিংবা তৌদুনা মখোয়দা অৱাবা কয়া থেংনরি। অসিগুম্বা য়াম্না লুরবা অমদি চিরবা তানফম অসিদা এ আই টি য়ু সিগী প্রসিদেন্ট ডা. নর না লোক সভা মীখল অসিগী ইন্নর মণিপুর পার্লিমেন্টরিদা মীখল থেংনরি। মসিদা এ আই টি য়ু সি গী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন ৫৩না অমতা ওইনা পুন্দুনা মহাকপু শৌগৎপা হায়না ৱারেপ লৌরে। অমসুং হৌজিক মতমদা মীখল মনি পৱর অমসুং মসল পৱর শিজিনবসি চৎনবী অমা ওইনা চৎথনরি। মসি হন্দক্কী মীখল অসিদগী মীখলদা মানি পৱর অমসুং মসল পৱর শিজিনবা চপ চনা থেংনবা হায়নসু অমতা ওইনা য়ান্নরে। অমসুং মসি মীয়াম্না থেংননবা খোঙথাং কয়া চঙশিনবা হৌরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মণিপুর পীপলস পার্টিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ফোঙখ্রে...

*লমায় ১গী মখা* থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে। অদুনা পার্টি অসিনা অতোপ্পা পার্টিদা শীন্নবগী মতম য়ৌরে। অদুনা হন্দক এম পি পিনা মতম কয়াদগী তান্নরকপা মীয়ামগী তৌগদবা থবকশিং ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা ফোঙলিবসি থবক্তা ওন্থোক্কনি। কোংগ্রেসকী মতমদা লাউথোকখিবা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম মীয়াম্না অমুক হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা মহৈরোই ফাওবা থৱায় থাখ্রবনি। লোয়ননা অফস্পা অসি হৌজিক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মমাঙগী ইলেক্সন মতমদা ইম্ফালদা লাক্লম্বা মতমদা লাউথোক্কনি হায়না ৱাশকখিবনি। অসিগুম্বা লমদম অসিগী নুপীশিংবু প্রাইম মিনিষ্টর অমনা ইকায়খুম্নদবা হায়বসি য়াম্না ইকায়নিং ঙাইনি।

লোয়ননা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবদি নুমিৎ ১০০গী মনুংদা জিরি লম্বী শেম্বা লোইশিনগনি হায়খিবা অদু চহী ৫ ফারবা অসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। অসিগুম্বা ইলেক্সন মতমদা শকখিবা ৱাশক থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি এম পি পিনা চেলেঞ্জ তৌরি। সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসিনা বি জে পিনা হিন্দুশিংদগী ভোট খোম্নবা চথবা থৌওংনি হায়বসি তাকই। হন্দকসু বিল অসি র্যাজ সভাদা পুথোকপা ঙমখিদ্রিবা অসি মখোয় মায়থিবা নংলনি হায়না পুথোকি–খদবনি। অদুবু বি জে পি নেসনেল প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা অমসুং পার্টি অসিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা বি জে পিনা অমুক লৈঙাক পায়রবদি সি এ বি পাস তৌগনি হায়রিবসি ইন্দিয়া থুগায়নবগী অচৌবা থৌরাং অমনি।

ঙসি ফোঙখিবা ইলেক্সন মেনিফেষ্টো অদুদা য়াওরিবা মরুওইবা ৱাফম খরা পল্লদুনা সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা তাল্লিবা দিমান্দশিং এম পি পিনসু ফঙনবা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনগনি। তঙাইফদ্রবদি মণিপুর অসি হিল ষ্টেট ওইনবা দিমান্দ তৌগনি। মণিপুরদা লৈরিবা থবক ফঙদ্রিবা নহারোল লাক্ষ ৭ রোম অসি এম পি পিনা মখল–মখা কয়াগী থৌরাং তৌদুনা ইমপ্লো ইমেপ্লোয়মেন্ট জেনরেসন পোলিসিগী ৱাখল্লোন্দা থবক পীননবা হোৎনগনি। লোয়ননা মণিপুরগী নেচরেল রিছোর্স ময়াম অসি শীজিন্নদুনা এগ্রো বেজ,গ্রিন রিভোলুসন অমদি হ্বাইট রিভোলুসনগী ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা অনৌবা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনগনি অমসুং মণিপুরদা প্রোজেক্ট কয়া শেমগৎতুনা দাম শাদুনা হৌজিক পুথোক্লিবা মৈগী চাং অসিদগী হেন্না পুথোক্তুনা মপাল লমদা য়োন্নবা হোৎনগনি অমদি মণিপুর অসি তংদু লৈতাবা ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## পোল্লিং ষ্টেসন ১৯৬তা মীখল হন্নবা...

*লমায় ১গী মখা* ৪,১৩,২৩৬ অমসুং নুপী ভোটর ৫,১৫,০২১ গী মনুংদা ভোটর ৪,৩৭,৬০২ না ভোট থাদনখি হায়রি।

ভোট থানখিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ২৮ অসিগী মনুংদা মাও কন্সটিট্যুয়েন্সিনা খ্বাইদগী ৱাংনা চাদ ৯৩.৯৯ গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি, অনিশুবদা কারোং এ সিনা চাদ ৯২.৬০ অমসুং তদুবী এ সিনা চাদ ৯২.৩৮গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি।

কন্সটিট্যুয়েন্সিগী থাক্তা ওইখিবা ভোট থাবগী চাং অসি হৈরোকতা চাদ ৮৫.৪৩, ৱাংজিং তেন্থাদা চাদ ৭৪.০৭, খাঙবোক্তা চাদ ৮৪.২১, ৱাবগাইদা চাদ৭৯.৭৩,ককচিংদা চাদ ৬৮.১৬ , হিয়াংলমদা চাদ ৭৩.৯৯, শুগনুদা চাদ ৭৩.২৭, জিরিবামদা চাদ৬৮.২১গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি।

মসিদা নত্তনা চান্দেল কন্স–টিট্যুয়েন্সিদা চাদ ৯০.৪৩, তেংনৌপলদা চাদ ৯১.৬৮, ফুংয়ারদা চাদ ৯০.২৩, উখ্রুলদা চাদ ৯১.৫৯, চীঙাইদা চাদ ৮৮.৮৪, সাইকুলদা চাদ ৮৭.৮৪ কারোং কেন্দ্রদা চাদ ৯২.৬০, মাওদা চাদ ৯৩.৯৯, তদুবীদা চাদ ৯২.৩৮ গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি।

মসিদা নত্তনা কাংপোকপীদা চাদ ৮৩.৫১, সাইতু কেন্দ্রদা চাদ ৯১.৪৬, তামৈ কেন্দ্রগী ওইনা চাদ ৯২, তমেংলোং কেন্দ্রগী ওইনা চাদ ৮৩. ৮৭,নুংবা কেন্দ্রদা চাদ ৮৩.২৫, টিপায়মুখতা চাদ ৭০.৫২, থানলোনদা চাদ ৮৬.৯৩, হেংলেপকী ওইনা চাদ ৮৭.০৪, চুরাচান্দপুরগী ওইনা হেংলেপকী চাদ ৮৭.০৪, চুরাচান্দপুরগী ওইনা চাদ ৫৩.৬২ ন ওইরি। মসিগা লোয়ননা সাইকোটতা চাদ ৮৬.৩৫ অমসুং সিংহাটতা চাদ ৮৮.৬৭ নি।

পনবা য়াবদি মীখল অসিগা মরী লৈননা পার্টি অসিনা ইন্নরদ অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিবনি হায়রি।

## পাম: বি জে পিগী মীখলগী ...

*লমায় ১গী মখা* হৌনা এন্টি ফোরেন্নর মুভমেন্ট তৌদুনা লাক্লি। নেটিভ পিপলশিং অসিবু কন্নবা লো অমা থমগদবনি হায়নসু মীশি মীনা য়াওবা খোঙজং কয়া মীয়াম্না চৎশিন্দুনা লাক্লি। চৈরকসিদা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি মুখৎনবা শেম্লক্লিবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সি এ বি) চৎনহন্নবা বি জে পিনা মেনিফেষ্টোদা হাপ্পক্লিবা অসি য়েংঙ্গরগদি বি জে পিনা মণিপুরগী মীয়াম্বু করি ওইনা উবগে হায়বা ৱাহং অমা চাওনা থোক্লক্লে।

মহাক্না হায়, মীয়াম্না খঙবিগদবা ৱাফমদি সি এ বি অসি পুথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা হিরম অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা মীয়াম্না বিল অসি পামদে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু বি জে পিনা বিল অসি পথোক্তবা য়াদে মাতাগুম মীয়াগী অপাম্বা অমদি পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা য়াওরিবা পার্টি ময়ামগী ৱা তাদনা নমদুনা বিল অসি লোক সভাদা পূথোকখ্রবনি। মতম অদুনা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা নোর্থ ইষ্টকী আইদেন্টি ঙাক্কনি হায়বা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লক্লিবসি মীয়ামদা অচৌবা নমথাক অমনি। মীয়াম্না বিল অসি পামদে হায়বা খঙ্গ–খঙ্গা বি জে পিনা মখোয়গী মেনিফেষ্টোদা হাপচিলকপা অসিমক্না বি জে পিনা মণিপুর মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্লে অমদি য়েলহৌ ফুরুপ মুখৎনবা হোৎনরে হায়বসি ময়েক শেংলে। মরম অদুনা বি জে পিনা মখোয়গী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা সি এ বি পাস তৌগনি হায়বা ৱাফম অসিগী মায়োক্তা লাক্লিবা থা অসিগী ১৫দগী ১৭ ফাওবা মীয়াম্না দেমোক্রেটিক ওইনা পামগী খোঙজংবু শৌগৎপিবা ওইনা ইরৈপাক অমদি ইরৈচাশিংবু কন্ননবা খক্কী পান্দমদা য়ানিংঙ্গা ফোঙদোকপিয়ু অমদি বি জে পিবু বোইকোট তৌবিয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।